**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 10-07-2025)**
--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী লীরবা ফুটবোল তুরনামেন্ট দুরান্দ কপগী ১৩৪ শুবা ইদিসনগী ত্রোফি মীয়ামদা উৎপগী থৌরম সেন্দ্রা অমসুং সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে।

২) ২৫ শুবা জাতিগী ঙামীশিংগী নুমিৎ ঙসি ইম্ফালদসু পাঙথোকখ্রে। য়েলহৌ ঙাগী পোত্থোক হেন্না পুথোকবা থৌরাংশিং পায়খৎলগনি।

৩) রাজ্য সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ প্রিন্টিং এন্দ ষ্টেসনরি চে শিজিন্নদবা দাইরেক্তোরেট অমা ওইরে হায়না ঙসি লাউথোকখ্রে।

৪) মনিপুরদা কোভিদ নাইন্তিন পোজিটিব ওইবগী চাং খরা হন্থরক্তুনা ঙসি মীওই ২ পোজিতিভ ওইবা থেংনখি, হৌজিক এক্তিভ কেস ৩৪ লৈরি।
অমসুং

৫) মহৌশাগী খলনা শোকল্লবা রাজ্য ৬ তা কেন্দ্র সরকারনা শেন্থুং ওইনা লুপা কোতি লিশিং ১,০৬৬ কাইথোকপদা অয়াবা পীখ্রে। মণিপুরগী ওইনা লুপা কোতি ২৯ হেন্না কাইথোক্লে।

------

দুরান্দ (এল)ঃ লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী লীরবা ফুটবোল তুরনামেন্ট দুরান্দ কপগী ১৩৪ শুবা ইদিসনগী ত্রোফি মীয়ামদা উৎপগী থৌরম বিষ্ণুপুর জিলাগী সেন্দ্রা অমসুং পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোকপা থৌরমদা শরুক য়ারদুনা রাজ্যপাল আয়জ কুমার ভল্লানা হায়- তুরনামেন্ট অসি ইম্ফালদা অমুক হন্না পুরকপগীদমক ইষ্টর্ন কম্মান্দ অমসুং ভারত লান্মীবু থাগৎপা ফোংদোকখি। মহাকা হায়- তুরনামেন্ট অসি মণিপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা অসি চাংয়েং মখল অমনি। মণিপুর অসি শান্নবা-খোৎনবগী পৱার হাউসনি হায়নরিবনি। মসিগী মথক্তা লমদম অসিদা হৈথোই শিংথোইরবা শান্নরোই কয়া অমা পুথোক্লি। রাজ্যপালনা হায়- শান্নবা-খোৎনববু চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা ভারত লান্মীনা চাউরবা থৌদাং লৌরি।

দুরান্দ কপকী ত্রোফি টুর অমসুং রোড সো ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী লোক্তাক পাৎ ময়াদা লৈবা সেন্দ্রা ভিউ পোইন্টতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জি.ও.সি থ্রি-কোর- লেফটনেন্ট জেনেরেল অভিজিৎ এস. পেন্ধরকর, জি.ও.সি ফিফতি সভেন মাউন্টেন দিভিজন মেজর জেনেরেল এস.এস. কার্তিগ্যা অমসুং ভারতকী ৱেথ লিফতর মিরবাই চনুনা রোড সো অদু লমথাখি।

কুমশি চহিগী ওইল ইন্দিয়া দুরান্দ কপ ফুটবোল তুরনামেন্ট অসি সহর মঙা- কোলকাতা, জামসেদপুর, কোক্রাঝার, শিল্লোং অমসুং ইম্ফালনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কনি। অকাশবানি ইম্ফালগী পাউমীনা হায়- দুরান্দ কপকী ত্রোফি থা অসিগী ৪ দা রাষ্ট্রপতি ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা মায়খুম হাংদোকখি। তুরনামেন্ট অসি থা অসিগী ২৩ দা কোলকাতাদা ইষ্ট বেঙ্গল অমসুং সাউথ য়ুনাইতেদ এফ.সি বেঙ্গলুরু শান্নদুনা হৌদোক্কনি। তুরনামেন্ট অসিদা টিম ২৪ না গ্রুপ ৬ খায়দোক্তুনা শান্নগনি। ইম্ফালদা শান্নগদৌরিবা গ্রুপ-এফতা ত্রাউ এফ.সি, নেরোকা এফ.সি, ইন্দিয়ান নেভি ফুটবোল টিম অমসুং রিএল কাশ্মীর এফ.সি য়াওরি। গ্রুপ-এফকী অহানবা মেটচ থা অসিগী ৩০ দা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা ত্রাউ এফ.সিগা নেরোকা এফ.সিগা শান্নগনি।

ফিসরি (এল)ঃ ২৫ শুবা জাতিগী ঙামীশিংগী নুমিৎ ঙসি লমফেলপাৎ ইম্ফালদা লৈবা ফিসরিজ বিভাগকী লোইশঙদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা

ঙাংবদা ফিসরিজ দাইরেক্তর টি. ফুলেন মৈতৈনা হায়- নুমিৎ অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি ঙা য়োকপগী লমদা হেন্না চাওখৎহন্নবনি। মহাকা হায়- ব্লু রিভোলুসন অমসুং অনৌ অনৌবা মখলগী টেকোলোজিশিং শিজিন্নরকপনা ঙাগী পোখোক হেন্না পুথোকহনবা ঙমলি। ঙামীশিংনা লাক্কদৌরিবা চহি কয়া অসিদা ঙা হেন্না পুথোকবা পুকিং থৌগৎখি। দাইরেক্তরনা হায়- প্রোজেক্ট শরেং পায়খৎতুনা শরেং হেন্না পুথোকবা হোৎনরিবা অসিগী মথক্তা ঙাকিজো হেন্না পুথোকবসু বিভাগ অসিনা থৌরাং তৌরি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা রাজ্য অসিগী ওইনা ঙা য়ামা পুথোকপা ঙামীশিংদা মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা লাইরিক অমসু ফোংখি।

অকাশবানি (এল)ঃ অকাশবানিনা চহি ৯০ মীয়ামগী সেবা তৌরকপগী থৌরম ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেনদা অকাশবানি ইম্ফালনা শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অমদা অকাশবানি ইম্ফালদা মতম শাংনা থবক তৌরম্লবা মীওইশিংবু খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি। তুংদা পিছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী লিলারোইশিংনা শান্নবা অনৌবা লম্বী উৎখি।

প্রিন্টিং (এল)ঃ রাজ্য সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ প্রিন্টিং এন্দ ষ্টেসনরি চে শিজিন্নদবা দাইরেক্তোরেট অমা ওইরে হায়না ঙসি লাউথোকখ্রে।

ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা দাইরেক্তোরেট অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা বিভাগ অসিগী দাইরেক্তর ঙাংবম রোবেননা হায়- চে শিজিন্নবগী চাং হন্থহন্নবা লৌরক্লিবা খোঙথাং অসিগী মতুংদা ওফিস মেনেজমেন্টতা অহোংবা লাকপা, ত্রান্সপরেন্সি অমসুং এক্কাউন্টেবিলিতি হেনগৎহনবা ঙল্লগনি। মহাকা হায়- দাইরেক্তোরেট অসিগী ওফিসতগী লাপনা লৈবা সরকারগী ওফিসশিংনা গেজেদ ফোংবগী দোক্কুমেন্ট থারকপদা ই-দাঘতা থারকপা মতমদা মতম চংবা হন্থহনবতা নত্তনা শেলগী চাদিং তৌবসু হন্থহল্লগনি।

কোবিদ (এল)ঃ মনিপুরদা ঙসি নৌনা মীওই অনি কোভিদ নাইন্তিন পোজিটিব ওইবা থেংনখি।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না, ঙসি পুন্না মীওই ১৩ কোভিদ নাইন্তিন টেষ্ট তৌবদা মীওই অনি পোজিটিব ওইবা থেংনখবনি। ঙসি বিষ্ণুপুর অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদগী মীওই অমমম পোজিতিভ ওইবা থেংনখিবনি। মসি থারগা হৌজিক ফাওবদা রাজ্য অসিদা কোভিদকী অপুনবা পোজিটিব ওইবা মশিং ৩০৯ শুরে। হৌজিক এক্তিব কেস ৩৪ লৈরি। ঙসিগী ওইনা পোজিতিভ ওইবগী চাং চাদা ১৫.৪ নি। হোম আইসোলেসনদা মীওই ৩৩ লৈরি। হৌখিবা পুং ২৪ দা হোম আইসোলেসনদা লৈবা মীওই ৫ নাবা ফখি।

বসন্ত (এল)ঃ এম.এল.এ থৌনাউজম বসন্তকুমারনা হায়রি- মণিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকবগীদমক নাকল অনিনা হন্দোক হঞ্জিন তৌনবা তঙাইফদে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী উৎলৌদা লৈবা পাব্লিক হোল রিলিফ কেম্পতা ঙসি নুংশি লম্বী হায়বা থিয়েতর প্লে অমা ফোংবগী থৌরমদা শ্রী বসন্তকুমারনা হায়- ৱারোইশিন পুরকপা ঙমবা ৱা ঙাংনবদা অমদি থবক তৌবদা অমনা অমগী পুকিং শোক্নদবা থৌওংশিং তৌরোইদবনি। মহাকা হায়- কেন্দ্র সরকারনা কাংলুপ অনিমক্কী মীহুৎশিংগা ৱারী শান্নদুনা শংতাইননবা কন্না হোৎনরি। মসিদা মীয়ামা শৌগৎপীবা অমদি মতেং পাংশিনবা চংই।

ঙসিগী থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবম অমদি জিলা থাক্কী ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।

গুরুকুল (এল)ঃ মহারিসি বেদ বয়াস পোকখিবা নুমিৎপু নীংশিংবা অমদি ওজা, গুরুশিংবু ইকায় খুমবা উৎপগী নুমিৎ-গুরু পুর্ণিমা নুমিৎতা শকাইরবা গুরুশিংদা বি.জে.পিগী থৌমীশিংনা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা গুরু পুর্নিমা নুমিৎতা ওজাশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলক্লি।

মণিপুর সংস্কৃত মহা বিদ্যালয় অমসুং মণিপুর সংস্কৃত পরিষদকী ওজাশিং, মহৈরোইশিং অমসুং মেম্বরশিংনা মহারিসি বেদ বয়াসকী মপোক নুমিৎতা গুরু পুজাগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ঈচাউ (এল)ঃ হন্দক রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইদুনা তুরেলশিংগী ঈমায় পাথোরক্তুনা লৌফম কয়া অমসুং ঙাগী ফার্ম কয়া ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইদুনা থৌবাল জিলাগী মনুং চনবা শলুংফম ফাওদুনা চেল্লিবা তুরেলগী ঈমায় পাথোরকপদগী শলুংফমগী লৌ পরি লিশিং ১ রোম ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। ঙসি ঈশিং থুমলিবা লৌফমশিং অসি মমাংগী চহিদসু ফৌ লোক্লমদাইদা ঈশিং চাউরকপদগী ফৌ অমত্তা লোকপা য়াখিদে। শলুংফম কাং য়াম্বেম গ্রাম পঞ্চায়টকী এদমিনিষ্ট্রেটিভ কমিতিগী চেয়ারপার্সন দব্লিউ. চৌয়াইনা হায়- সরকারনা লৌমীশিংগী য়েংবীরগা ফৌদি নত্রগা লৌহোন্নচিংবা মতেং পাংলবদি অৱাবা খর কোক্কনি।

আয়ুস (এল)ঃ দাইরেক্তোরেট আয়ুসকী মখাদা ফমুং তরা লৈবা আয়ুস হোস্পিতাল মোংশাংগৈনা য়ুনাইতেদ য়ুথ প্রোগ্রেসিভ ওর্গনাইজেসন ককচিংগা পুন্না খুৎশমদুনা ককচিং সুমনাং লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা মীওই ১১০ রোম লায়েংখি।

কেম্প (এল)ঃ আই.দি.পিশিংগী হকশেলগী কেম্প অমা ঙসি কাংপোকপী জিলাগী গমফাজোল হোলদা পাঙথোকখ্রে। নেসনেল রুরেল হেলথ মিসন সাইতু গমফাজোল ব্লোকনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা আই.দি.পি ৯০ রোম লায়েংখি অমদি হকশেলগী খুদোংচাবশিং ফংহনখি।

সিসিপুর (এল)ঃ আই.দি.পিশিংগী স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি

চুরাচান্দপুরগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ধরুন কুমারনা জিলা অসিগী এস.বি.আই, রুরেল সেল্ফ ইমপ্লোইমেন্ট ত্রেনিং ইন্সটিট্যুটতা হৌদোকখ্রে। নুমিৎ ২০ চত্থগদবা লেমা ত্রেনিং পীবগী থৌরম অদুদা চুরাচান্দপুর, তুইবোং, সিংনাৎ, সাইকোট অমসুং সঙাইকোট সবদিভিজনগী আই.দি.পি ৪০ রোমা শরুক য়ারি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ  ফ্রিদম ফাটর হেমাম নিলামনিগী ১১৩ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি মোইরাংদা লৈবা আই.এন.এগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী ফোটোদা মৈরা কৎপা, মহাক্কী পুন্সি ৱারী নিংশিংবা, মেরিতোরিয়স এৱার্দ য়েন্থোকপনা নুমিৎ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি। থৌরম অদুদা এম.এল.এ- টি.ঐচ. শান্তিনচিংবা শরুক য়াখি।

থন্বাল মরিক (এল)ঃ  থন্বাল মরিক কলেজ ওইনামদা বি.এ, বি.এ.সিদা তমগদবা মহৈরোইশিংগী ইন্দক্সন প্রোগ্রাম অমা ঙসি কলেজ অসিদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু আই.কিউ.এ.সি এদমিসন কমিতি (টি.এম.সি)না শিন্দুনা পাঙথোকপনি।

দিজাষ্টর ঃ  মহৌশাগী খলনা শোকল্লবা রাজ্য ৬ তা কেন্দ্র সরকারনা শেন্থং ওইনা লুপা কোতি লিশিং ১,০৬৬ কাইথোকপদা অয়াবা পীখ্রে।

ঈশিং ঈচাউ অমসুং চীং নীংখায়বনা মরম ওইদুনা মণিপুর, অসাম, মেঘালয়, মিজোরম, কেরলা অমসুং উত্তরাখন্দগী মফম কয়া খুদোংচাদবা মায়োকখি। গৃহ মন্ত্রালগী পাউ মতুংইন্না মণিপুরগী ওইনা লুপা কোতি ২৯ হেন্না, অসামগীনা লুপা কোতি ৩৭৫ হেন্না, মেঘালয়গী ওইনা লুপা কোতি ৩০ হেন্না, মিজোরমগী ওইনা লুপা কোতি ২২ হেন্না, কেরলাগী ওইনা লুপা কোতি ১৫৩ হেন্না অমসুং উত্তরাখন্দগী ওহনা লুপা কোতি ৪৫৫ হেন্না কাইথোকপদা অয়াবা পীখ্রে।

খা নোংচুপতগী হৌরকপগী কুমগী নোংনা রাজ্য ৬ অসিদা নোং কা হেন্না চুবদগী ঈশিং ঈচাউ অমসুং চীং নীংখায়বগী থৌদোক কয়ামরুম থোকখি।

মন্ত্রালয়না হায়- ঈশিং ঈচাউ অমসুং চীং নীংখায়বনা মরম ওইদুনা শোকহল্লবা রাজ্যশিংদা মতেং পাংবা হায়বসি কেন্দ্র সরকারগী অচেৎপা ফিরেপনি। কুমশি চহিগী ওইনা কেন্দ্রনা রাজ্য ১৪ দা ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফন্দদগী লুপা কোতি লিশিং ৬,১৬৬ অমসুং রাজ্য ১২ দা নেসনেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফন্দদগী লুপা কোতি লিশিং ১,৯৮৮ হান্ননা কাইথোকখ্রবনি। মসিগী মথক্তা রাজ্য ৫ দা ষ্টেট দিজাষ্টর মিটিগেসন ফন্দদগী লুপা কোতি ৭২৬ হেন্না কাইথোকখি অমদি রাজ্য অনিদা নেসনেল দিজাষ্ট মিটিগেসন ফন্দদগী লুপা কোতি ১৭ হেনবগী শেনফমসু কাইথোকখি।

কুমশি চহিগী কুমগী নোং মনুংদা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ২১ দা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীনবগীদমক এন.দি.আর.এফকী টিম ১০৪ শিজিন্নখি।

নিতি ঃ রাজ্যশিংগী সাইন্স অমসুং টেকোলোজি কাউন্সিলশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা নিতি আয়োগনা ঙসি নিউ দিল্লিদা রোড মেপ অমা হৌদোকখ্রে। কেন্দ্রগী সাইন্স এন্দ টেকোলোজি মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহ, নিতি আয়োগকী ভাইস চেয়ারমেন সুমন বেরি অমসুং নিতি আয়োগকী মেম্বর ডাঃ ভি.কে. সরস্বাট শরুক য়াখি।

নিতি আয়োগকী পাউ মতুংইন্না ভারত্তা লৈরিবা সাইন্স এন্দ টেকোলোজি কাউন্সিলগী থবক থৌরম অমসুং চলাইবগী মওং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা রোড মেপ অসিনা লম্বী য়াৎকনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল (এল)ঃ সবজ্নিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৫-২৬ কী টয়ার ৱান অমসুং টুগী গ্রুপশিং শেমখ্রে। টয়ার অমমমদা গ্রুপ মরি মরি ওইদুনা পুন্না টিম ৩১ না শরুক য়ারি। চেম্পিয়নসিপ অসিগী টয়ার ৱানগী গ্রুপ-বিদা মণিপুর, দিল্লি, তামিলনাদু অমসুং অসাম য়াওরি। গ্রুপ-এদনা

ঝারখন্দ, মেঘালয়, মিজোরম অমসুং গুজরাত য়াওরি। গ্রুপ-সিদনা ৱেষ্ট বেঙ্গল, মহারাষ্ট্র, উরিষা অমসুং হরিয়ানানি। অদুগা গ্রুপ-দিগী ওইনা বিহার, করনাটক, মধ্য প্রদেশ অমসুং পঞ্জাবনচিংবা রাজ্যশিংনা লম্বা তৌনগনি।

ফিফা ঃ পেরিস সেন্ট জরমেন্ট (পি.এস.জি) ফিফা ক্লব ৱার্ল্ড কপ ২০২৫ গী ফাইনেল চংখ্রে। ঙরাং নিউ জরসিগী মেটলাইফ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা পি.এস.জিনা রিএল মেদ্রিদপু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখিবনি। কপ অসিগী ফাইনেল মেটচতা পি.এস.জি অমসুং চেলসি অনিনা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নরগনি।

------